# নুংশিনা লৈমিন্নবা হায়বা অসিদা চিন খক্তনা য়াগদ্রা... "৫০০ চৎপী"

সুর মৈতৈ

ইমা ইবেমচা ফিল্ম প্রদক্সনগী বেনর মখাদা আর কে লননা প্রদ্যুসর ওইদুনা অমদি মোইরাংথেম ইনাওগী ষ্টোরিদা এল প্রকাসনা দিরেক্সন পীদুনা পুথোকপা '৫০০ চৎপী' হায়না মিংথোনবা মণিপুরী ফিল্ম অসিনা ঙসিগী সমাজ অসিদা নৌহৌননা মীওইবা হায়বা অসি করিনো অমদি হৌজিক করম্বা ফিভমদা লৈরিবগে। হৌজিক লৈমিন্নরিবা ঐখোয়গী মওং অসি করিনো হায়বনচিংবা ৱাহং কয়াগা লোয়ননা পুথোকপা ফিল্ম অমনি '৫০০ চৎপী'।

বোচৌ সাইখোম্না কেমেরামেন ওইদুনা অমদি জেনি খুরাইনা মেক-অপমেন ওইদুনা পুথোকপা ফিল্ম অসিবু মপুং ফাবা অমা ওইনবা ইডিটিংগী থৌ য়াম্না চাওনা পুরিবনা আর কে সুর্জিৎনি।

নুংশিনা লৈমিন্নবা হায়বা অসিদা চিন খক্তনা লাওবনা নুংশিননা লৈমিন্নবা য়াগদ্রা। অরৈ লৈত তান্নদুনা অঙম্বনা ঙমদবগী মতেং পাংনগদবা নত্রা। ঐ হিংহৌরগা লোয়রে হায়বা ৱাখল্লোন অসিনা সমাজ অসিগী অমত্তা ওইবগী শক্তম অদু ঙাকপা ঙমগদৌরিব্রা হায়বা নুংগী ৱাহঙ্ঘোক কয়াগা লোয়ননা



পুথোক্লিবা '৫০০ চৎপী' হায়রিবা ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংলিবা লাংলিবীশিংদি - বোনি (খাবা), প্রকাস সোরাইসম (থোইবা), বিদ্যান্দা (সমজাই), রতন লাই (লাকপা), মোমোকো (লিংজেল), থোই (মেম্মা), তাকয়েঞ্জম মেম্মা অমদি গীতানচিংবনি।

ফিল্ম অসিগী শন্নপ্পা ৱারিদি লিংজেলগী মপা অফং অফংবা থবক শুবা মীশকনি। নোংমা মহাক্না বস তোংদুনা লাকপা মতমদা লম্বীদা পুলিসনা চেক তৌদুনা লৈরম্মী। বস অদুদা তোংলিবা মীওইশিং অদু কুমথনবা হায়রকপা মতমদা বস অদুদা ব্লেক মনি (জালি নোট) পুরকপা মীওই অমনা মশা কঞ্জনবা হোৎনবদা লিংজেলগী মপাগী খাওদা ৫০০ চৎপী জালিশিং অদু তুমিন্না হাপচিল্লন্নগা থোকখি। লিংজেলগী মপা পুলিসনা ফাদুনা মহাকপু ৱাহং পাউহং চথখি অদুবু মীরক নারক য়েংদুনা অচিকপগী তঞ্জা লৌদুনা লিংজেলগী মপা ব্লেক মনি য়াওবা খাও অদু পায়দুনা পুলিসকী মখুৎতগী নাম্বোক্তুনা চেল্লকখি। হায়রিবা মতম অসি লিংজেলদি পুংকক চাওবা নুপীমচা অমা হায়বদু ওইরি। মহাক্কী মপানা শেল য়াওবা খাও অদু উ পাম্বী অমগী মখাদা ফুমজিনখি। মপানা ফুমজিনখ্রিবা অদু লিংজেলনা উহৌখি। সমাজগী মমাংদা ঈকায় ফিরুক খুমদুনা হিংগদৌবগী শরুকপুদি শিজখিবনা শরুক ১০০ হেন্না ফৈ খন্দুনা উ পাম্বী অমগী মশাদা লিংজেলগী মপা থৌরি য়ান্দুনা শিজখি। লিংজেলনা লৈশা মপুং ফারক্লবা মতমদদি মীগী মরল তোনবা লাইরবা য়ুম্বাল হায়বদু ওইবনা য়াম্না ৱানা লেল্লকখি। করিগুম্বা মতমদা মপানা ফুমজিল্লম্বা শেল অদু মমা খঙহন্দনা খজিক খজিক লৌথোক্তুনা শিজিন্নবা ফাওবা য়াওই।



সমজাই লিংজেলগী লৈকাই থংননা লৈবা ইনাক কৈরাক খুনবা মীশক অমনি। সমজাইনা লিংজেলবু পামজৈ অদুবু সমজাইগী মওং মতৌ কয়া অদুদা লিংজেলনদি সমজাইবু পামদে। মতম লৈবা খিবিক্তা সমজাই লিংজেলবু শেন্নদুনা লাকখি।

নাকল অমরোমদনা থোইবা অমদি খাবা য়াম্না লুনা তিন্নবা মরুপনি। মখোয় অনী য়ুমথোং খুদিং চৎতুনা লাইরিক য়োনবা মীওইনি। খাবদি থবক অসি ৱাবনা হেল্লি হায়দুনা মহাক্কী লম্বী তোঙানখি। খাবগী লম্বী অদু অফবা অচুম্বা লম্বী নত্তবনা থোইবদি মহৌশাগুম্না লাইরিক য়োন্দুনা অদুম লৈহৌখি অদুবু খাবদি শেঞ্জাও পায়বা মীশক অমা হায়বদু ওইরকখি।

নোংমা থোইবনা লাইরিক য়োনবা লাকপা মতমদা লিংজেল ওটো গাড়িদগী কুমথরক্লগা ৫০০ চৎপী অমা লৌথোক্তুনা ওটো থৌরিবা নুপা অদুদা পীখি অদুবু মহাক্কী ৫০০ চৎপী অদুদি জালি নোট ওইরম্বনা নুপা অদুনা নংগী শেল অদু অমা শিল্লু হায়রকপা মতমদা য়াওদ্রে হায়দুনা অৱাই অখুম তৌনরিঙৈ তালক্তা থোইবনা চংশিন্দুনা লিংজেলগী মতেং পাংখি। নুমিৎ অদুদগী থোইবগা লিংজেলগা তিন্নবা হায়বদু ওইরকখি। মখোয় অনীনা তৎতনা পুল্লকপদা নত্তনা থোইবনা তৌরিবা থবক অদু লিংজেল মহাকসু য়াওগে হায়দুনা থোইবগী থবক অদুদা পুন্না থবক তৌমিন্নখি। মখোয় অনীগী মতৌ অদুদা শেঞ্জাও পায়বা সমজাইগী থম্মোয়দদি শাওনবা মৈচাক অমা হায়বদু ওইখি। লিংজেলবু মহাক্কী ওইরগে খন্না মহাক্কী মীওইশিংগী মতেংগা লোয়ননা সমজাইনা লিংজেলবু ফাখি অদুবু লিংজেলনি খন্না ফারিবা নুপী অদুদি লিংজেল ওইরমদে, হায়রিবা নুপী অদুদি মেম্মা ওইরম্মী। মেম্মনা মহাকপু ফাদুনা পুরক্লবনিনা সমজাইদা মহাক লৈরনি হায়দুনা নমদুনা লৈশিনখি। নাকল অমরোমদনা ঐ মঙাইরে খন্দুনা চৎলিবা লাকপনা করিগুম্বা ৱাহৌ অমদগী থোইববু ফুগদৌগী তান্নরকখি। লাইবক ফবনা তঞ্জা অদুদা খাবা লাক্তুন লাকপা অমদি লাকপগী মীওইবু ফুদুনা থোইববু কনবীখি। শেঞ্জাও পায়রবা খাবনা থোইববু মহাক্কী লম্বী অদুদা পুল্লসি হায়দুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়রবা ফাওবদা থোইবনা য়াবা কৌবা লৈখিদে। লাকপনা থোইবা অমদি খাববু হাৎকনি হায়দুনা নুমিৎ অদুদগী শিংখি।

থোইবা ৱাখল মুন্না খল্লবা মতুংদা খাবগা থবক পুল্লকখি। থোইবনা তৌরিবা থবক অসি তশেংনা তৌনিংদুনা তৌবদি নত্তে, মতম লৈবা খিবিক্তা মহাক্কী থম্মোয়দা লাৎতুনা থমজরিবা লিংজেলগী খল্লগা তৌখিবনি। থবক অদুনা মরম ওইরগা মতম খরা থোইবা লিংজেলদগী লাপথোকপা তাখি। থোইবনা চৎলমদাইদা লিংজেলদা ওক মচা অমখক পীরমখি।

নোংমদি খাবা অমদি লাকপগা খুৎ থোক্লবা থৌদোক অমদা খাবা শিখি। লাকপা অমদি থোইবসু নোংমৈ অমমম পায়নদুনা নোংমৈ কাপশিন্নখি। অনিমক নোংমৈ পানখি অদুবু কনা শিবনো, কনা হিংলিবনো হায়বদুদি খঙবা ঙমখিদে। লৈমায়দা অনীমক নোংমৈনা পান্দুনা তাখি।

অমরোমদনা লিংজেলগী মমা লৈত-লাইর অমদি মীগী শেন্দোল কয়াগী ৱাখলদা লায়না ওইদুনা শিখি। লিংজেলগী য়ুমগী অরৈবা পোৎলমশিং অমদি ওক অদু ফাওবা য়াওনা মীয়াম্না পুদুনা চৎখি। হন্না য়েংবদা কনা লৈত্রে খঞ্জদুনা লিংজেল শিজরগে খন্না নিংবা কাইবা অমগা লোয়ননা তুরেলগী থোং তম্না লাকখি। থোং অদুদগী চোংথরগে খন্দুনা চোংথনবা হোৎনরিঙৈ তঞ্জা অদুদা নাকন্দা ওক মচা খোংলকপগী মখোল অমা তারক্তুনা মমায় লৈথোক্তুনা য়েংথোকপা মতমদা মমায়-মমীৎ মশা পুম্বা ঈ তৈরবা অশোকপা দাকফম্না য়োন্নবা থোইবনা ওক অদু মঙক্তা থৌরি লাক্তুনা পুরকপা উবদগী লিংজেল থোইবগী মনাক্তা হরাওবা নুংঙাইবা, নুংশিবা কপনিংবা অমগা লোয়ননা চেনশিনখি। ৱাদি ঙাংদা থম্মোয়দা লোল ফাওনবগুম নুংঙাইবা অমদি নুংশিবা পীরাং কয়াগী মরক্তা ফিল্ম অসিগী অরোইবা তাঙ্কক হায়বদু ওইখি।



ফজবা ফিল্ম অমদি অথিবা ফিল্ম হায়বা অসিদি ঐনা হায়ববুদি অয়েংবশিংনা য়েংলবা মতুংদা পীবিরকপা মীয়ামগী ওইবা ৱাখল্লোন অদুনা ওইগনি। অদুবু ফিল্ম অসি য়েংজরুবা ভাবক অমা ওইনা ফিল্ম অসি মীয়াম্না পাম্ননা য়েংবা ফিল্ম অমা ওইখিবনা অফবা ফিল্মশিংগী মনুংদা অমনি হায়না থমজগে।






















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*